**Shikshan Sanshodhan : Journal of Arts, Humanities and Social Sciences** ISSN(o): 2581-6241
Monthly, Peer-Reviewed, Refereed, Indexed Journal Impact Factor: 9.134
Volume - 9, Issue - 2, February - 2026

DOIs:10.2018/SS/202602013 --:-- Research Paper / Article / Review

# অপোকপা লাইনীং হৌদোকপীরম্বা লাইনীংহন নাওরিয়া ফুলোগী 'অহন য়াথং' নৈনবা

**দ. ঐচ নীরেন্দ্র সিংহ (এন দি হোদাম্বা)**
এসিস্টেন্ট প্রোফেসর, মণিপুরী মশঙ
জনতা কোলেজ, কাবুগঞ্জ, কাছাড়, অসাম, ৭৮৮১২১
nirendra.jck@gmail.com

**এবষ্ট্রেক্ট :** 'অপোকপা লাইনীং' হায়বসী লাইনীংহন ইবুঙো নাওরিয়া ফুলোনা ইং ১৯৩০ (১৩-০৪-১৯৩০, নোংমাইজিং) দা 'অপোকপা মরূপ' লিংখৎলগা মীতৈ মীয়ামগীদমক য়াইফনবা হৌদোকপীখিবা লাইনীং-কাঙলোন অমনি। লাইনীং-কাঙলোন অসীগী মতুং ইন্না তেংবানবা হৌরকপগী, ওইরকপগী ৱাফম ময়েক শেংনা খঙনবা হোৎনবগা লোয়ননা মতৌ করম্না, করি ৱাখলদা লাইনীংগদগে হায়বগী লাইনীংলোন অদু ময়েক শেংনা ঊৎনবা লৌখৎচরিবা টেক্স অসীদা হোৎনরম্বদু ময়েক শেংনা উবা ফংগনি।

লাইনীংহনগী ৱাখল্লোন মতুং ইন্না 'অপোকপা লাইনীং' হায়বসী হিন্দু লাইনীং নত্তবা অতোপ্পা তোঙানবা লাইনীং অমা নত্তে। হিন্দু লাইনীংদি ওইরগা মদুগী ভাব - মধুর ভাবতগী দাস্য ভাবতা ওন্থোকপা অসী মরু ওইনা লৌখি। বেঙ্গল অমসুং অসামিস বৈষ্ণবিজমগী পূনশিল্লবা মশক অমদা মীতৈগী ওইনা মৈদিংঙু চীংথংখোম্বা (রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র)না হৌদোকপীরগা চৎনহল্লম্বা লাইনীংগী মশক অদুদা লাইনীংহনना অসামিস বৈষ্ণবিজমদা মপূং ওইনা মীৎয়েং থম্লগা মীতৈগী ওইনা শেমগৎপা পাম্লম্বনি। লাইনীং অসীদা পোলিথেইজমদগী মোনোথেইজমদা ৱাখল্লোন হোংদোকপা, নন-এসেন্সিয়েলদগী এসেন্সিয়েলদা হোংদোকপা, মূর্তি লাৎপদগী লাত্তবদা হোংদোকপা, থৱায়গী খোঙচৎ নাইবদগী মপূং ওইবা মশাদা শাগোন্নদুনা তিল্লি হায়বা ৱাখল্লোনদা হোংদোকপা, মীরোননা লাইনীং-লাইশোন পাঙথোকপদগী ইশাগী ইরোনদা লাইনীং-লাইশোন পাঙথোকপা অমসুং হিন্দু লাইগী মিংশিং পন্দবনচিংবসী য়াওরি।
হিন্দুগী অৱাংবা দর্শনদা য়ুম্ফম ওইবা সাহিত্যগী মচলশিং ওইনা লাইনীংগী অথুপ্পা ৱারোল অমসুং লাইনীংলোনগী থোইহেল্লবা নুংশি-ঈৱাশিং অদু য়ান্নমক হৈ-শিংবগা লোয়ননা ফোঙদোক্লম্বা মশক ওইনা উবা ফংগনি।

**কি-ৱার্দস (Key words):** অপোকপা, মধুর ভাব, দাস্য ভাব, পোলিথেইজম, মোনোথেইজম, থৱায়গী খোঙচৎ নাইবা.

## 1. ৱাহৌদোকঃ অপোকপা লাইনীং

'অপোকপা লাইনীং' হায়বসী লাইনীংহন ইবুঙো নাওরিয়া ফুলোনা ইং ১৯৩০ (১৩-০৪-১৯৩০, নোংমাইজিং) দা 'অপোকপা মরূপ' লিংখৎলগা মীতৈ মীয়ামগীদমক য়াইফনবা হৌদোকপীখিবা লাইনীং-কাঙলোন অমনি। 'অপোকপা মরূপ' হায়বসী 'ব্রহ্ম সভা' হায়বগী মান্নবা ৱাহন্থোক্নি। 'ব্রহ্ম' হায়বদি 'অপোকপা' অদুগা 'সভা'

হায়বসীনা ‘মরূপ’ (লূপ, সভা ফম্বা = মরূপ তিনবা) হায়বগী ৱাহন্থোক পীবনি। মতম অসীদা মণিপুরদা ব্রাহ্মণশিংনা গৌর সম্প্রদায়বু য়েংশিন্নবা লূপ ওইনা ‘ব্রহ্ম সভা’ লৈরম্বগুম অপোকপগী মচা-মনাইশিংনা অপোকপা খুনাইবু য়েংশিন্নবা ‘অপোকপা মরূপ’ হায়বসী লৈগদবনি। মরম অসীদগী ঐখোয়না খঙবা ঙম্বদি - অপোকপা লাইনীংগী ‘অপোকপা’ হায়রিবা ৱাহৈ অসী ‘ব্রহ্ম’ হায়বনি। ‘অপোকপা লাইনীং’ হায়বদি ‘ব্রহ্ম মশক খঙনবা হোৎনবা লাইনীং’ হায়বনি। লাইনীংহননসু হায়বিরম্মী - “মীতৈ ঐখোয়না হৌজিক্কী মতমদা ‘অপোকপা’ হায়দুনা হায়জরিবসীসু বেদনা ‘ব্রহ্ম’ হায়রিবদুনি” (-মীতৈ হৌভম ৱারী, লাঃ৭২)।

লাইনীংহনগী ৱাখল্লোন মতুং ইন্না ‘অপোকপা লাইনীং’ হায়বসী হিন্দু লাইনীং নত্তবা অতোপ্পা তোঙানবা লাইনীং অমা নত্তে। হিন্দু লাইনীংদি ওইরগা মদুগী ভাব - মধুর ভাবতগী দাস্য ভাবতা ওন্থোকপা অসী মরু ওইনা লৌখি। বেঙ্গল অমসুং অসামিস বৈষ্ণবিজমগী পূনশিল্লবা মশক অমদা মীতৈগী ওইনা মৈদিংঙু চীংথংখোম্বা (ৱাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র)না হৌদোকপীরগা চৎনহল্লম্বা লাইনীংগী মশক অদুদা লাইনীংহননা অসামিস বৈষ্ণবিজমদা মপূং ওইনা মীৎয়েং থম্লগা মীতৈগী ওইনা শেমগৎপা পাম্লম্বনি। লাইনীং অসীদা পোলিথেইজমদগী মোনোথেইজমদা ৱাখল্লোন হোংদোকপা, নন-এসেন্সিয়েলদগী এসেন্সিয়েলদা হোংদোকপা, মূর্ত্তি লাৎপদগী লাত্তবদা হোংদোকপা, থৱায়গী খোঙচৎ নাইবদগী মপূং ওইবা মশাদা শাগোন্নদুনা তিল্লি হায়বা ৱাখল্লোনদা হোংদোকপা, মীরোননা লাইনীং-লাইশোন পাঙথোকপদগী ইশাগী ইরোনদা লাইনীং-লাইশোন পাঙথোকপা অমসুং হিন্দু লাইগী মিংশিং পন্দবনচিংবসী য়াওরি।

খূদম ওইনা অমতং থমজরবদা - মূর্ত্তি লাৎপদগী লাত্তবদা হোংদোকপা হায়বসী অপোকপা লাইনীংগী পান্দমনি। মখোয়না ফম্বাল ঈরাৎলি। উপাসনাগী মতমদা মূর্ত্তি শাদুনা লাৎপবু সগুণ ব্রহ্ম নীংবা - সকার উপাসনা অদুগা মূর্ত্তি লাত্তববুনা নির্গুণ ব্রহ্ম নীংবা - নিরাকার উপাসনা হায়না খঙনৈ। যোগ সাধনগী মতাংদা জ্ঞানযোগগী লম্বীদা লৈবা জ্ঞানিশিংনা নির্গুণ ব্রহ্মবু নীংঙি হায়না যোগেন্দ্রনাথ গীরীনা হায়বিরম্বা ৱাফমদু নীংশিংই-

> গুণ অমসুং মওং লৈবা শ্রী ভগবানগী ধ্যান ভক্তিযোগগী মনুং চল্লি অদুগা গুণ অমসুং মওং লৈতবা পরব্রহ্মগী ধ্যান জ্ঞানযোগগী মনুং চল্লি। -
> শ্রীমদ্ভগবত গীতা, লাঃ ৫৫৭

লাইনীংহননা সকার উপাসনা অমসুং নিরাকার উপাসনাগী মতাং অসীদা - তেংবানবা মপু ইবুঙোগী শক্তম অসী লৈ হায়না নীংগে হায়রবসু লৈতে হায়না নীংগে হায়রবসু - মী-মী অদুগী পূক্নীংগী অপাম্বগী মখা পোল্লে হায়না থম্বীরম্মী (লাঃ ১৫)। অদুম ওইনমক, মহাক্কী অপাম্বদি অসামিস বৈষ্ণবিজমগুম মূর্ত্তি লাৎতবা অসীনি-

> In Shankardeva’s Vaishnavism which is popularly known as Mahapurusia dharma, there is no place for idol worship. - Chaitanya movement in Eastern India, p 253

মরম অসীদগী হায়বা য়াবদি- অপোকপা লাইনীংদি পরব্রহ্মবু ধ্যান তৌবনি, মসীগীদমক জ্ঞানযোগ সাধন তম্বীবনি। তম্বীবা অসী মপূং ফানবা ৱাঙুরোনগা মরী লৈনবা লাইরিক কয়াগী লৌশিং তানশিল্লগা থম্বীরম্বনি। অশম্বা লোন্দাদা ‘অপোকপা লাইনীং’বু মশক তাকপা ওইনা হায়বা য়াবদি - অপোকপা লাইনীং অসী ‘নেও মণিপুরী বৈষ্ণবিজম’নি হায়বসীনি।

## 2. **লাইনীংহনবা থম্বীরম্বা সাহিত্যগী লনগৈ**

লাইনীংহনবা হৌদোক্লম্বা লাইনীংগী নুংশি-ঈরুশিং অসী মহাক্লা থম্বীরম্বা সাহিত্যগী লনগৈ নৈনবা মতমদা ময়েক লানা খঙবা ঙমগনি। সাহিত্যগী লনগৈসী ৱারেং, শৈরেং অমসুং হন্দোকপা অসীদা উবা ফংই। ৱারেংদা - হৌভম (সকোক থীরেনগী মচাক, ১৯২৮), **অহন য়াথং** (১৯৩০), গৌর ধর্ম্ম চৎলকপা মতাং (১৯৩১), মীতৈ হৌভম ৱারী (১৯৩৪), হৌরকপা অমসুং হৌভম (১৯৩৫), বামোনগী মতীক (১৯৩৭), ঐগী ৱারেং (১৯৪০) অসীনচিংবা পনবা য়াই। শৈরেংদা - য়ূম্লাই লাইরোন (১৯৩০), সকোক থীরেন (১৯৩১), চীংনু লাইরেম্বী (১৯৩১), অপোকপা মপুগী তূংনফম (১৯৩১), হৌনবুং অমসুং লান্নবুং: মীতৈ লৈবাক লাইফম (১৯৩২), সীংথা চৈথারোন (১৯৩২), পামহৈবা (১৯৩২), তেংবানবা অমসুং লাইনীংথৌ লাইবাউ (১৯৩৩), কোন্সেন তুরৈ শেংবগী ৱারী (১৯৩৪), অথোইবা শৈরেং (১৯৩৫), থাইন নোংইন (১৯৩৬), লাইনীং খুদা নিপান (১৯৩৬) অমসুং অতৈ-অতৈনি। হন্দোকপা সাহিত্যদা - ইনিংথৌ হরিশ্চন্দ্র (১৯১৫), রামগী বনবাস (১৯১৬), রামনা বনবাসতগী হল্লক্লবদা (১৯১৯) অমসুং শ্রীমদ্ভগবত গীতাগী শরুক খরা অসীনচিংবা পনবা য়াই। ইবা লোইশিনখিদবা খরসু লৈহৌরি। সাহিত্যগী লনগৈ অসীদগী 'অহন য়াথং' হায়রিবা লাইরিক অসী লৌখৎতুনা য়েংমিন্নবা য়াই।

## 3. **অহন য়াথং**

লাইনীং-লাইশোনগী মতাংদা পাউখুম পীবা ঙম্লবা অহন অমগা খঙজনীংবা নহা অমগা অনীগী মরক্তা শানবা ৱারী অদু ৱারেং ওইনা ইথোকপা লাইরিকনি। অহন অমসুং নহা অনীগী ৱারী অসীদা লাইনীংলোন অমসুং য়ূম্বাল্লোনগী থূপ্লবা ৱারী কয়া য়াওরি। ইং ১৯৩০ দা অহানবা খূৎই ওইনা ফোঙদোকখিবা লাইরিক অসী উনম তৌদুনা হন্না-হন্না ফোঙদোকখ্রবা পঙচাউ চাউদবা লাইরিক মচা অমনি। লাইরিক মচা অসীগী মতাংদা প্রোফেসর ঐচ নোনিকুমার সিংহনা মখাগী অসুন্না ফোঙদোকই-

> 'অহন য়াথং' হায়বা লাইরিকসিগী মরু ওইবা পান্দমদি তেংবানবগী মপু অপোকপা লাইনিংথৌবু নীংজবগী লাইনীংলোন অমসুং চৎন-পথাপশিংদু মচা-মনাইশিংদা মচা তানা শন্দোক্লা তাক্লবা হোৎনবনি। পান্দমসীদা মীৎয়েং থম্লগা 'নহা' অমসুং 'অহন' হায়বা চরিত্র অনীখক শেম্লগা ক্কেসনরি মেথোদ শীজিন্নদুনা মপু-মনাই ৱারী শানবগী মওংদা লাইরিকসী হৌবদগী লোইবা ফাওবা চৎথৈ। লাইরিকসিগী মশাগী ওইবা প্লোট হায়বা অমা য়াওদে, চুন্নগী ৱারী-ৱাতাই শানবগী মওংদা অনৌ-অনৌবা ৱাহং কয়া শাগৎলগা মদুগী পাউখুম পীর-পীরদুনা চৎথরকপসীনা লাইরিকসীগী মপূং ওইবা খূৎইনি। মসিদা থোইদোক-হেন্দোক্লা ফজবা খূৎই ওইরিবদি 'নহা'গী চরিত্র অসীনা 'অহন' অসীদা থকসি-খাসি নাইনা নোল্লুকপা পূকচেলশিংসী তঙাইফদে হায়বদু মীতৈ লাইনীংদা লাইনীংবগী ৱাখল পোকত্রবা, নীংলিবা লাইনীং অদুদা থাজবা লৈত্রবদি লাইনীং লীচৎকী পান্দম অদু য়ৌবা ঙমদে হায়বসীসুনি।
>
> - ('অহন য়াথং' লাইরিককী মরমদা শম্লপ্পা ৱারোল খরদং)

লাইরিক অসীগী অহানবা শরুক্তা - তেংবানবা অসী মতৌ করম্না ওইরকপনো, তেংবানবা অসী তশেংনা *ওইরকপরা* নৎত্রগা *শেম্মকপরা,* করিগুম্বা শেম্মকপা ওইরবদি মতৌ করম্না অমসুং কনানা শেম্মিবনো হায়বগী মতাংদা নহানা খঙনীংবদু অহননা পাউখুম্মী। তেংবানবা অসী শেম্বীবা মপু ইবুঙো অমনা শেম্বনি হায়না পূম্নমক্তা য়ানরিবসী তশেংনদি - তেংবানবা অসীমক মপু ইবুঙো মহাক্নি, মপু ইবুঙো মহাকমক্তা তেংবানবা অসী ওইরিবনি। ইবুঙো মহাকমক্কী হকচাংনা ওইরিবা তেংবানবা অসীদা মচন মঙা - মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ, লৈপাক, অতিয়া অসী য়াওরিবনি।

হায়রিবা ময়ায় মঙা অসীনা তিল্লগা পাঙ্গন অমা চোংথোকখি, পাঙ্গন অদুনা ইবুঙো মহাক্কী মওং ওইরিবনি। পাঙ্গন অদুগী মপান্না লেঙলি-পাল্লিবা, অচৎ-চৎতা খূদিংমক্কী ওইরক্লিবনি, মহাক্কী মনুংদা পূন্নমক্কী লৈরিবনি। পাঙ্গন অদুবু হৌজিক 'অপোকপা', 'পোক্লেন পোকপা শাৎলেন শাৎপা', 'ঙৌবরেন' নৎত্রগা অতে কৌনীংবা মিং অমা কৌবা য়ারে হায়বসীনি। অহনবা মসীগী পান্দম 'য়ূম'দা পীরদুনা হায়-

> হন্দক 'য়ূম' হায়রিবা পোৎ অসী করন্না ওইখিবগে হায়বদা উ, ৱা, লী পূন্নমক্না তিল্লগা মফম-মফমদা হাপচিল্লগা ওইখিবনি। তোঙান-তোঙান্না খাইদোক্তুনা থন্নবদি 'য়ূম' হায়বদু ওইবা ঙমদে। পোৎচঙ ময়ান্না তিল্লগা শেমখিবা পোৎলেপ অদুবু 'য়ূম' কৌই। মতৌ অসুন্না, তেংবানবগী মপু হায়রিবসীসু পোৎলম মঙা ওইরিবা মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ, লৈপাক, আতিয়া হায়রিবা মচন মঙাসীনা তিন্দুনা লোইরবা মতমদা লেপখিবনি। - (লাঃ ৩)

অনীশুবা শরুক্তা - তাইবং মী, ষণ-ওক, উচেক-ৱায়া, উরী-উপাল, নাপী-শীংবীনচিংবা পূন্নমক অসী ওইরকপরা নৎত্রগা শেমখিব্রা হায়বা ৱাহংগী পাউখুমদা মচল মঙাগী ৱাফম অমুক হন্না নীংশিংই। লাইরিক অসীদা মপূং ওইনা নৈনরিবা ময়ায় মঙা অসীগী মতাংদা মার্কো পলিস (Marco Pallis) না মহাক্কী 'Introduction of the study of Hindu doctrine' হায়বা লাইরিকতা পল্লম্মি,

> Here are to be found in the first place, the five bhutas or elements that go to make up corporal things namely prithibi or earth, ap or water, tejas or fire, vayu or air and akasa or eather.
> –(Introduction of the study of the Hindu Doctrine, p 252)

ময়ায় মঙা অসী হঙ্গৎ-হন্দা হায়বা য়াই। মার্কো পলিসনা হঙ্গৎপা মওংদা হায়রি। তশেংনদি - করিসু লৈরমদবদগী লৈরকপসী আতিয়ানি। মসীদা 'করিসু লৈরমদবা' হায়রিবসী 'হিরণ্যগর্ভ'গী ৱানি অদুগা মায়গৈ অমরোমদা মসীবু অমুক unmanifested form দা লৈবা হায়রগসু খঙনরিবনি। অসুন্না করিসু লৈরমদবা অসীগা আতিয়াগা অনীগী ময়ায়দগী নুংশিৎ থোকখি, অদুদগী মৈ, মথংদা ঈশিং, মখা তাথরকপদা ঈকং (মালেম) অসী ওইরক্তুনা থৱায় পানবা, লেঙলি পাল্লিবা খূদিংমক্কী ওইরকপনি।

> 'From the Self, which is such, originate space, from space air, from air fire, from fire came water and the earth came from water.' – (Brahma Suttra Bhasya of Shankaracharya, p 451, 464-465)

হায়রিবা মঙা অসীগী মথং-মনাউ অসী লাইনীংহননদি ছন্দ চানবরোমদা হেন্না মীৎয়েং থন্নগা - মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ, লৈপাক আতিয়া হায়না হায়রব্বা ওইনা তৌই। 'অপোকপা মপুগী তূংনফম' কৌবা লাইরিকতা ইরম্মী-

> মৈ-ঈসিং-নুংসিৎ-লৈপাক-অতিঙা মঙানি
> মাককী মাককী মথৌবু তত্তনবু তৌবনি। -লাঃ ২১

অদুবু লাইরিক অসীমক্কী অতোপ্পা শৈরেং অমদা অমুক অতোপ্পা ছন্দ নাইবা খোঙচৎ অমদা হায়রি

> লৈপাক লৈসা মৈসানে
> য়াংবী নুংসিৎ ঈসিংনে
> অতিঙাগা মঙানি

পুমনমককী লিকলুনি। -লাঃ ৩২

পঞ্জিখ্রিবা ময়ায় মঙা অসীনা তেংবানবা ওইখিবা অমসুং মঙানা তিনবদগী থোকখিবা পাঙ্গল অদুবু 'তেংবানবা মপু' হায়না খঙনখ্রিবা, হায়রিবা ময়ায়শিং অসী তাইবং জীবা পানবশিং খূদিংমক্কীদসু য়াওদুনা লৈবনি। (ৱাফম অসী ফোঙদোক্লবগীদমক 'অপোকপা মপুগী তূংনফম' ইখিবনি।) মশা মতোমতা থৌরম তৌজবা ঙম্বগী পাঙ্গন মাঙোন্দা লৈখিবনি। অসুন্না লৈখ্রবা পাঙ্গন অদুবু হৌজিক অমুক '**থব্রায়**' কৌরগনি। মতাং অসীদা মতৌ করম্না **থব্রায়** অসীনা থৌরম চথ্বা ঙম্বগী পাঙ্গন ফংখিবনো হায়বগী মতাংদা 'শায়োন তরা' খঙবগী তঙাইফদবদু পুশিল্লকই। শায়োন তরা হায়রিবসীনা অমুক হিন্দুনা পল্লিবা 'দশাবতার' হায়রিবদুনি। শায়োন তরা অদুদি - ইঙারেন (মৎস্য), থেংগুরেন (কুর্ম), ওকশারেন (বরাহ), নোংশারেন (নরসিংহ), পিশক (বামণ) হায়বা মঙাসী মিং পল্লগা অতৈ মঙা (পরসুরাম, রাম, বলরাম, বুদ্ধ অমদি কল্কি) দি মিং পন্দনা লমচৎকী মগুণ ওইনা য়েকই। শায়োন তরাগী ৱাফম অসী 'তেংবানবা অমসুং লাইনিংথৌ লাইবাউ' দসু পল্লম্বা থেংনৈ। 'অহন য়াথং'দগী খুদম ওইনা মতেক অমতং থমজরি-

থেংগুরেন লাইম্নানা পুখৎপা ৱাঘরে
তেংবানবা হকপনা ইপুরোই ননঘরে
ওকসারেন ওইদুনা ঙকচাওনা পুখৎলে
মপুগী য়াথংনা তেংবানবা ওইরক্লে। -লাঃ ২৫

শৈরেং পরেং মতেক খরা অসীদা 'শায়োন তরা' (দশাবতার) গী অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা শায়োন (অবতার) অদু পল্লম্বা থেংনরিবসীনি।

অহুমশুবা শরুক্তা - তেংবানবা অসী মতোমতা ওইরকপনি হায়রবদি, তাইবং মীনচিংবসী ময়ায় মঙাগী মপাঙ্গলনা মশা মতোমতগী ওইবা থৌরম চথ্বরকপদগী ওইরবদি লাই নীংবা হায়দুনা তৌনরিবসীগী অমুক তঙাইফদবা লৈত্রে। অদুবু তাইবংপান অসীদা লাইনীংবা হায়দুনা চাদ-থক্তবমখৈ ৱানা হোৎনরুবসীগী মতাংদা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা অহননা হায়নীংলিবদি - লাই নীংবগী তঙাইফদবা লৈ হায়বসীনি। লাইনীংবগী থৌরমসী লৈরমদ্রবদি মীওইবসী ষণ-ওক, উচেক-ৱায়াগুম্না মফম-মফান খঙদনা লৈরমগনি হায়বসীনি। মীওইবনা পূক্নীং-লৌশিং হেনগৎলক্তুনা অফ-নুঙাই খঙনা পাল্লিবা অমসুং মথক্লোমদা অসুমক কাখৎলক্তুনা তৌরমদবা, লৈরমদবা কয়া তৌরক্লিবা অমসুং লৈহল্লক্লিবসী লাইনীং লম্বী থিনরকপদগীনি হায়বসীনি।

লাইনীং লম্বী অমসুং য়ূম্নাইরোলগী মতাংদা লৈবা অথূপ্পা ৱারোলশিং তম্বীবগা লোয়ননা লেম্‌ফু অমসুং ফম্বী য়োকশিনবগী মরম (ব্রহ্মচার্য্য) দা শুগাইনা ৱাফম কয়ামরোম থম্বীরবা মতুংদা অহননা মরিক কনবগী পুন্সীরোনবু তম্বী, য়েৎ-ওয় শীজিন্নদুনা লাইনীংবগী মতাংদা তম্বী। মখা তানা নিংশাস্বর শাজেনদা য়েৎ-ওয় খায়বা অমসুং নুপা-নুপী খায়না পোকপগী মতাংদা কূপ্পা তম্বী। নুপীগী স্বরনা য়েৎতা লৈরবদি নুপা, ওয়দা লৈরগনা নুপী অদুগা অনীমক্তা লৈরগনা নপুংশক ওইনা পোকপগী ৱারীসু পনবিরম্মী। লমচৎ ফজবা অমদি ফজদবা, অশিংবা অমদি অপঙবা খায়না পোকপগী মরমদসু ৱাফম কয়ামরোম থম্বীরম্মী।

লাইমাঙদা ফমদুনা নৎত্রগা মীৎ উইশিন্দুনা, লীক পরেং পায়দুনা (মালা চৎতুনা) লাইনীংবসী অহননা কয়া ফনা শীংথারমদে। মশা ৱাদনা, পূক্নীং নুঙাইনা নীংঙি হায়দুনা মদুবু 'নুঙাই লাইনীং' হায়না কৌরম্মী। অসীগুম্বা মখলগী লাইনীং অসীদি 'শামু ইরুদবগুম্বনি' হায়না লৌরদুনা চেকশিনৱা হায়বিরম্মী

মরোং মেৎথোকতনা য়াইরোংবু করমনা ফগনি। উচি ফাদোক্তুনা মখুন করমনা মেনগনি। নুং সেংদোক্তুনা মপানদা চনদোন-চৱা য়াম্না তৈরগা নুং য়ৌবা য়াবা ৱা নত্তে। পিথ্রাইবু মপানদা সনা তৈরগা সনা ওইবা য়াবা ৱা নত্তে মীৎকী কুমৈতনি। মীৎকী কুমৈ হায়বসীদি কুমৈ য়েংবা মীগীদি ওইজগনি। মসাগীদি ওন্থোক্লা ময়েং তাবা অমনি। -লাঃ ১৬

মায়ৈগে অমরোমদা, তেংবানবা অসীদা মপু অমা লৈ হায়না য়াবশিংনা করিগুম্বদা ইমা, করিগুম্বদা অপোকপা, কনাগুম্বনা মরূপ হায়না কৌদুনা নীংবা অসীগী মতাংদা অহননা শৌগৎলি। নীংনীংবা মওংদা অমদি কৌনীংবা মিং অমদা কৌদুনা নীংবা য়াই হায়বিরম্মী-

'...ইপা হায়না কৌরবসু, ইমা হায়না কৌরবসু, ইচা হায়না কৌরবসু - অরৈবা মিংথোন অমনা ওইরবসু পূক্নীং অমত্তা ওইনা নীংলবদা, ইবুঙো মহাকপু কৌরবদা ইবুঙো মহাক্না তাবীরোইদবা লৈতে।' -লাঃ ১৮

স্বত, রজ অমসুং তম গুণবু অহননা অফবা, ফত্তবা অমসুং নাপননি হায়না লৌবগা লোয়ননা তেংবানবা মপুদা অহুম অসী লোয়নদুনা লৈবনি হায়না পল্লম্মী। অমরোমদা, নুপা, নুপী অমসুং মরক-শরক অহুম অসীসু তেংবানবগী মপুগী শক্তম ওইনা লৈবা মরমনা কৌনীংবা মিংদা কৌবা য়ারিবনি হায়বিরম্বনি। হীরম অসীগা মরী লৈনবা ৱাফমদু তম্বীরদুনা অহননা শকচরম্মী-

মঙানা তিল্লগা অমনি
অমগী মশা অহুম্নি
মতোমতা শাৎপা লৈরেননি
লৈগী লৈকা লীশিংনি। -লাঃ ২১

লোনগী মতাংদদি মীতৈরোনদা নীংবগী মতাংদা পল্লম্মী। মীনা ঈশিংবু 'পানী' হায় হায়দুনা মীতৈ অমনা মমাদা 'মায় থুরা পানী দিয়ে' হায়রুবদা খঙলোয় হায়রদুনা মখা তানা হায়রম্মী-

'হরে কৃষ্ণ' হায়বা লোনসী মীতৈরোন নত্তে, সংস্কৃত মরোননি। করি হায়রিবনো হায়বসী হৌজিক ফাওবা সংস্কৃত মরোনদবু লেপ্পা ঙম্নদ্রি। মীতৈরোনগদি করি অমত্তা নক্নবগী মথৌ লৈখিদ্রে। অদুনদি করি হায়না 'হরে কৃষ্ণ' হায়বা লোনসী মীতৈ ঐনা খঙুগনি। ... মখোঙদা য়োক্লিং থাংবা তেনৱাগী লোন্দা মতায়ে। ঙারোই কারগা হঙোই চোংবগুম থোকই - 'বৈকুন্ঠ' হায়বসী নওগী নরোন নত্তবনা অহনশিংনা হায়নৈ হায়দুনা নচিন্দা পুবতনি। -লাঃ ১৯

লাইরিক অসীগী তঙখায় মতুংদগীদি হেন্না লুশিনবা হেঞ্জিল্লকই। 'ঐ' খঙবগী মতাংদা মীৎয়েং চঙশিল্লকই। মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ, লৈবাক, অতিয়া হায়বা ময়ায় মঙা অসীদগী ওইবা মীওইবগী খঙন-কয়াৎ (sense organ) মঙাগী মতাংদা নৈনবা হৌরকই। মখোয়শিং অদুদি - মীৎ, নাকোং, নাতোন, লৈয়েং অমসুং ঊনশা অসীনি। মখোয়গা মরী লৈনবা খঙন-পোৎলম (sense object) শিংদু হৌরকফম ওইরিবা ময়ায়শিং অদুগা পূন্না য়েংমিন্নবা য়াই-

| খঙন-কয়াৎ (sense organ) | খঙন-পোৎলম (sense object) | মরী লৈনরিবা ময়ায় |
|---|---|---|
| মীৎ | মচু | মৈ |
| লৈয়েং | মহাউ | ঈশিং |

| | | |
|---|---|---|
| ঊনশা | শোকপগী খঙবা | নুংশিৎ |
| নাতোন | মনম | লৈপাক |
| নাকোং | খোঞ্জেল | আতিয়া |

ময়ায় মঙা অসীনা তিল্লগা ওইখিবা পাঙ্গন অদুনা হকচাংদা তোংলবা মতমদা '**থৱায়**' হায়না কৌরে, হকচাংদা তোংদুনা থৌই হায়দুনা 'থৱায়' কৌবনি হায়রে। তেংবানবা অসীদা তোংলগনা '**তেংবানবা মপু**' হায়না খঙনবনি। হকচাং পানবগী শরুক অসীবু *প্রকৃতি* হায়না কৌরগা *নুপী* ওইনা অদুগা তেংবানবা অসীগী শরুক অদুবুনা *পুরুষ* ওইনা লৌরগা *নুপা* ওইনা শাগৎলিবনি। হায়রিবা *প্রকৃতি* অমসুং *পুরুষ*কী মতাং অসীবু লাইরোন অমদা অমুক *জীবাত্মা* অমসুং *পরমাত্মা* হায়না থৱায়গী মরীদা নৈনরিবনি। মায়গৈ অমরোমদা, qualified brahman অমসুং absolute brahman হায়না মথং শীৎনা খঙনরক্লিবা অসীসু *প্রকৃতি* অমসুং *পুরুষ* অসীবুনি। অসুন্না ময়ায় মঙা অসীনা হকচাং কয়াৎ অসী ওইদুনা *হিংবা* অসী লৈরিঙৈদা খঙন-কয়াৎশিং অসী মথৌ তৌরম্মী লোয়ননা খঙন-পোৎলমশিং অসী খঙবা ঙম্লম্মী। ঙম্লিবসী 'ঐ' হায়রিবা সেল্ফ অসী য়াওবননি, ময়ায়শিংসীনা তিন্নদবদা 'ঐ' অসীসু লৈতে, 'ঐ' লৈতবদা শিবা হায়বদু ওইরে। অদু ওইরবদি '**ঐ**' অসীগা '**থৱায়**' অসীগা '**তেংবানবা মপু**' অসীগা লৈনরিবা অমত্তা ওইবগী মরী অসী খঙবা ঙম্লে। 'থৱায়' অসী লৈবদা 'ঐ' লৈরম্মী, লৈতবদা লৈত্রে। মসীদগী খঙবা ঙম্বদি 'ঐ' অসীগা 'তেংবানবগী মপু' (অপোকপা, ব্রহ্ম) গা অমত্তা ওইমিন্নরে হায়বসীনি। মসী অদ্বৈতবাদি (non-dualist)শিংনা তম্বীবা 'ঐমক ব্রহ্মনি' (অহম ব্রহ্মস্মি, I am Brahman) হায়বদুগা অমত্তনি। নন-দুয়েলিজমনা নৈনরিবদি শেম্বীবা (creator) অদুগা শেম্মিবা পোৎশক (creation) অদুগা অনীসী তোঙান-তোঙানবা পোৎলম অমমম নত্তে - অদুবু অমখক্তনি হায়বসীনি। অহননসু হায়বিরম্মী-

> ঙরং-ঙরং খোংনা চাকপা মৈসু মৈনি, মৈতানগী মৈসু মৈনি। ঙানবদদি খোংনা চাকপা মৈনা হেল্লি। মৈদগী মৈ চম্লগা লৈহৌবা মৈগী ময়েং তাদে। মৈরকতা মৈ হুঞ্জিল্লবসু মৈগী চাওখৎতে, মৈরীক্তগী চম্বা মৈনসু মৈজাওবী ওই। মৈদি ইমানমক মান্নেয়ে। শীংনা য়াম্লগা, শীংনা ফরগা মৈরা ঙাল্লি। অসুন্না ওইরবা মপু ইবুঙো হায়রিবা মৈরা অসীদি তৎপা-কাংবা লোইবা লৈখিদ্রবা মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ, লৈপাক, আতিয়া মঙানা তিন্দুনা চাকখ্রবা মৈরানি। শীং মপৈনা চাকপা মৈসু মৈ, খূদাপ অমনা চাকপা মৈসু মৈ, অসীদা তোঙানবা করিসু লৈতে। 'ঐ' হায়বসীগা মপু ইবুঙোগা মতৌ অসুম তৌদুনা নক্লবা শাগৈ হায়বদু ওইরে। -লাঃ২১

মসীদা পল্লিবা 'ঐ' অসী ঐহাক অসী নত্তে, তাইবং মীওইবা খূদিংনা পল্লিবা 'ঐ' হায়রিবা সেল্ফ অদুনি হায়না অহননা নহাদা চেকশিন্না নীংশিংই।

লাইরিক অসীগী লামায় ১৫ দা পল্লিবা 'হকচাংসীবু থোঙলোন তরুক থোক্লা খায়দোক্কনি' হায়না থোঙলোনগী মতাংদা পল্লম্লিবসী হিন্দুগী দর্শনদা য়াওবা কুণ্ডলিনি হৌদোকপগী ৱারীদা চেনবা তুরেল অহুম (*ইরা, পিঙ্গলা* অমসুং *সুসুন্না* বু লাইনীংহননা 'হৌনবুং অমসুং লান্নবুং: মীতৈ লৈবাক লাইফম' দা *ইম্ফাল, ঈরিল* অমসুং *নম্বুল* তুরেল ওইনা লৌবনি) অমসুং তুরেল (শিংলি মরীল) অদুগী লম্বীদা থেংনবা থোঙলোনশিং অদুনি। মসীবু 'ষড়চক্র' হায়না খঙনবনি। 'ষড়চক্র'বু 'ষটচক্র' হায়নসু খঙনৈ। অর্থদি চক্র তরুক নৎত্রগা থোঙলোন তরুক হায়বনি। মখোয়শিং অদুদি - মুলাধার, স্বাধিস্থান, মণিপুর, অনাহত, বিশুদ্ধা, অজ্ঞাচক্র হায়রিবা তরুক অসীগী ৱানি। হায়রিবা তরুক অসীবু লাইনীংহননা অপোকপা মপূগী তূংনফমদসু হায়বিরম্মি-

> থোঙলোন্দি তরুক্লি হায়রিয়ে
> লাইনীংবা অহননা লাউরিয়ে। (লাঃ ১২)

থোঙলোন তরুক অসী লাল্লগা লৈবা 'সহশ্রার'গী ৱাবু লাইনীংহননা 'তুরেল লাইজ মরু' অমসুং 'মপুগী লৈকোন' হায়না পল্লগা মফম অদুদা শাৎপনি হায়না লৌনরিবা লৈনা লীশীং অমা পানবা থম্বাল (thousand palatal lotus) অসীনি লামায় ২১ দা পল্লিবা - 'মতোমতা শাৎপা লৈরেননি, লৈগী লৈকা লীশিংনি' হায়না মথক্তসু পল্লিবসী। তশেংনা থম্বালদি থোঙলোন খূদিংমক্তা অমমম শাৎপা ওইনা তশ্বীবনি। তরুকশুবা থোঙলোনদা শাৎপা থম্বালদি লৈনা লৈকা অনীদমক পানবনি। থোঙলোন অসীদগী শিংলী অহুমনা ঈখাই পীনৈ। মফমসী 'ওম' হায়বা বিজমন্ত্র শোনফমনি অমসুং গুণ অহুম (মথক্তা থমজখিবা স্বত রজ, তম - অফবা ফত্তবা অমসুং নাপন) গী লৈফমনি। মফমসীদা 'পরশিব'না কাংঙগী মণ্ডংদা লৈবনি। মফমসীদা শাৎপা থম্বাল লৈনাগী কাচিন অহুমদা বম্মা, বিষ্ণু অমসুং শিব (মহেশ্বর)না লৈবনি। থোঙলোনশিংসীগী মথংদা লৈরম্বা অতে থোঙলোনশিং লাম্হোক্লগা 'নর'না অঙৌবা থামচেৎ ওইনা লৈ অমসুং মসী লাম্হোক্লগা লেঙথোক-লেঙশিন য়াবা কাংঙরেন (paramahamsa) ওইনা বিন্দু (bindu) না লৈবনি।

'কাংঙরেন' অসীগী হকচাংনা 'জ্ঞান মায়া' নি অদুগা মাগী মশা 'অগমা' (agama) অমসুং 'নিগমা' (nigama) অনীদা ৱাপাউ (scripture) ইদুনা লৈবনি, মাগী মখোঙ অনীনা 'শিব' মসুং 'শক্তি' ওই, মচিন্না 'প্রনব' (pranava) নি, মমীৎশিং অমসুং মঙকশমনা 'কাম-কলা' (kama-kala)নি। অথোইবা থোঙলোন (supreme chakra) অসীদা থম্বাল লৈকা লিশিং অমা পানবনা শাৎপনি। মফমসী শৈবশিংনা 'শৈবীস্থান' অমসুং শাক্তশিংনা 'দেবীস্থান' কৌই। মফমসীদা অমম্বা অমসুং অঙানবগী নুমীৎ থোকই, মফমসীদা শাৎলিবা থম্বাল অসীগী লৈনা-লৈকাশিং অসীদা ময়েক (all the letters of the alphabet) শিং ইদুনা লৈ। মফমসীদগী উবা মালেমগী শক্তমসী ফোঙদোক্তবা মওং (unmanifested form) দা লৈবা অব্যক্তা ভাব (Avyakta Bhava) হায়বদুনি। অহন অমসুং নহানা শান্নরিবা ৱারী অসী পঞ্জখ্রিবশিং অসী খঙনবগী মতাংনি।

লাইনীংবগী লম্বীদা চীঞ্জাক অসী য়াম্নমক মরু ওইনা অহননা লৌরম্মী। হীদাক মখল য়াম্বগুম্না চীঞ্জাকসু মখল য়াম্মী। চীঞ্জাক অমনা পূক্লীং থৌগৎলি, চীঞ্জাক অমনা মরায় লূকহল্লি। অহননা হায়বীরম্মী-

> অখা-অয়াক, অসাবনচিংবা চারগা হকচাংদা নুং সাউবা হেল্লি। মৈসানা পূম্নমক সৌদোকপগুম্না অসাবা চীঞ্জাকনা নুংগী পূম্নমক হৌদোকই। অইংবদা থম্লগা হৌদোকপগুম্না ঙা-নচিংবা থৱায় পানবসিং হাত্তুনা চারগা হকচাং নুংগী য়েননচিংবা পুম্নমক হৌদোকই। ঘী, সংগোমনচিংবা চারবদি পুক্লীং ফাবা ঙমজৈ। অদুনা নাকতা ফম্মীঙৈ মতূপতি নুংসি সকতম য়েংফরোই। কোক ঙাওবা চীঞ্জাক, হীদাক, কোৱানচিংবা চাফরোই। তিলহৌ, মোরোকনচিংবা অসাবা পোৎ সোকফরোই। ঙা চাফরোই। অকেবগী লৈতেং তৌফরোই। চরা নামতা চাগনি। নুমিদাং চাফরোই, নুংধিন তূমফরোই। লৈকায় কোয়ফরোই। অপুম-অসা, নমথি-হাথি চাফরোই। ফমঘিবা ফমভম তোয়না হোংফরোই। মতৌ অসুম্না তৌনা অহন নাক্তা খনগনি। অদুতদা নীংবা মপূং ফারক্কনি। লেম্ফু মরা তপ্লক্কনি। তাইবং নুংসি খৌরাংবা লেল্লক্কনি। -লাঃ ১৪

অরোইবদা করম্বা ৱাখলদা চিংশিল্লগা লাই নীংগদগে হায়বগী মতাংদা অহলনা ৱাখল পাম্বী মঙাগী ৱাফম পনবিরম্মী। পনবিরল্লিবা ৱাখল পাম্বী মঙা অসী লাইনীংবগীদমক থম্বীরম্বা ভাব মঙা অদুনি, মসিবু ময়েক শেংনা ফোঙদোক্লদুনা অহননা থম্বীরম্মী-

১. তেংবানবগী মপুবু মৱোং লৈতে, ময়ায় মঙানতনি হায়না নীংবা (*শান্ত*)

২. ইবুঙো মহাকনা পূন্নমক্কী অহন্নি, মহাক্কী মনাইনি হায়না নীংবা (*দাস্য*)
৩. ইচাবু নুংশিবগুম্না ইবুঙো মহাকপু নুংশিনা নীংবা (*বাৎশল্য*)
৪. মরূপকী মতমগুম্না নীংবা (*সাখ্য*)
৫. ইপুরোইবনি হায়না নীংবা (*মধুর*) -লাঃ ২৩

বেঙ্গল বৈষ্ণবিজম অসী **<u>মধুর ভাব</u>**তা মপূং ওইনা য়ূম্ফম ওইবনি, অসামিস বৈষ্ণবিজমনা মপূং ওইনা **<u>দাস্য ভাব</u>**তা য়ূম্ফম ওইরগা শাগৎপনি

'Assamese Vaishnavism is based on Dasya Bhava, while Bengal Vaishnavism is based on Madhura Bhaba'
- *Chaitanya Movement in Eastern India*, p 253

অদুগা মণিপুরী বৈষ্ণবিজমনা অনী অসীগা মীতৈগী হান্নগী মশক্কা য়ানশিন-তিনশিন্নবা মশক ওইনা লৈরম্বনি

'Vaishnavism in Manipur may be said to have risen from the cross fertilization of two religion forces – Hinduism and that of the Meiteis' - *Manipur Vaishnavism: A Sociological Interpretation*

মতম অসীদা লাইনীংহননা মঙা অসীগী মনুংদা **<u>দাস্য ভাব</u>** অসীবু মপূং ওইনা শৌগৎচরম্মী। মসী মহাক্না অসামিস বৈষ্ণবিজমগা নক্লনা শকখঙনরুবদগী ফংলকপা ঈথিলদগী ওইগনি হায়না থাজরি। **<u>দাস্য ভাব</u>**তা লাইনীংবনা হেন্না মরম চানা উরম্বগী মশক অদু '**ননাই**' কৌবা খূৎই লাইরিক অমদসু ময়েক শেংনা ইবীরম্মী। নৈনরিবা লাইরিক অসীদসু পল্লম্মী-

> মঙাসী অমবু অমনা হেল্লি হায়বা ঙমদে। অদুম্নদি ওইরগা মনাই ওইবগী ৱাখলদা পুদুনা নীংলবদি পূন্নমক্কী চানভম থোকই। হায়বদি - নুপা ওইবা ঐখোয়নসু মনাইনি হায়বা, নুপীনসু মনাইনি হায়বা অমসুং মরক-সরক্লসু মনাইনি হায়বা য়ারে। ...মৰোং অমা থমদুনা ময়ায় মঙানতনি হায়না নীংবসীনা লাইফংনদুনা নুঙাইরবসু আতিয়াদা লৈদুনা নুঙাইবগুম থোকই। মচাগী মতমগুম, মরূপকী মতমগুম নীংবা হায়বদুসু অরিং-অরাংনবগুম থোকই। মপুরোইবনি হায়দুনা ৱাখল তৌদুনা নীংবসু অদুমঙাই। মপুরোইবা ওইনা নীংবসীনা অপঙবগীদি ৱাখল থেনবা অমা লাকই। করিননো হায়বদা নুপা ওইবনা নুপীনি হায়না ৱাখল পুগদৌরিবসী অমসুং মরক-সরক ওইরিবদুনা নুপীনি হায়বা ৱাখল পুগদৌরিবসী হন্দক মপোক্তদি ফনা লুইয়ে। অদুনা পূমচন চনবা য়াবা ৱাখল 'মনাইনি' হায়না নীংবসীনা অথোইবা ওইগনি। -লাঃ ২১

মতাং অসীদা পল্লিবা 'মনাই' ওইবগী মপূং ওইবা ৱাখল্লোন অসী লাইনীংগা মরী লৈনবা ভাব মঙাগী মনুংদা অমা ওইবতা নত্তনা ভক্তি মাপনগী মনুংদসু অমা ওইরিবনি। ভক্তি মাপন অদুদি- শ্রবণ, কীর্ত্তণ, স্মরণ, অর্চনা, পাদসেবনা, বন্দনা, সাখ্য, **দাস্য**, আত্মনিবেদন হায়বসীনি। তৌবগীদি লাইনীংহনগী অপোকপা লাইনীং অসী মপূং ওইনা ভাব মঙাগী মনুং চনবা দাস্য ভাব অদুনি। পরব্রহ্ম নীংবা, নিরাকার উপাসনা তৌবা, জ্ঞানযোগ সাধন তৌদুনা জ্ঞানি ওইবগী লম্বীদা চঙশিনবা লাইনীং অসীনা মনাই ওইবগী ভাবতা মপূং ওইনা লাইনীংগনি হায়না অহন অমসুং নহা অনীনা লৌশিং তামিন্নদুনা মখোয়গী তাংকক অনীদা শানবা ৱারী অসী লোইশিল্লি। ৱারী-ৱাতাই লোইশিল্লকপদা মপু মনাই অনীমক্না শায়োন তরাগী ঈশৈ শক্তুনা য়াইফরোল নীজখি।

## 4. ৱারোইশিন

লাইনীংহননা হৌদোক্লম্বা 'অপোকপা মরূপ' অমসুং মরূপ অসীগী মখাদা লৈবা লাইনীং-কাঙলোন 'অপোকপা লাইনীং' অসী ময়েক শেংনা খঙহন্নবগীদমক মহাক্কী সাহিত্যগী লনগৈ অসী চাওখৎনবা হোৎনরম্বনি। লনগৈ অসীগী মনুংদা লৌখৎচরিবা 'অহন য়াথং' হায়রিবা লাইরিক অসী অপোকপা লাইনীংগী অথূপ্পা লাইনীং ইরূ অদু তরং-তরং খঙনবগীদমক ইথোক্লম্বা ময়ামগী মনুংদা মরু ওইবা অমনি হায়বসী খঙবা ঙম্মী। তৌবগীদি টেক্স অসী হিন্দুগী অৱাংবা দর্শন ওইরিবা জ্ঞান মার্গদা ('Jnana is the self enlightenment of reality as such the self consciousness of reality' – Introduction of the study of the Hindu Doctrine, p 281) য়ূম্ফম ওইনা শাগৎপনি। লাইনীংহনগী অপোকপা লাইনীং অসী হিন্দু লাইনীংদা য়ূম্ফম ওইরগা শাগৎপনি হায়বসী লাইনীংহন মশানসু অদুমক হায়বীরম্মী

> ৱাখল তানরবদি করিসু ইশৌ লাংনরোই, মীতৈনা মরোননা লাই শোঞ্জবদা কনাগীদা তাংজরুবা নত্তে, চুন্না মীতৈরোনতনা শোঞ্জবদা। লাইনীং লমচৎতি হিন্দুগীদা অদুমক তাজরিবনি। -(মীতৈ হৌভম ৱারী, লাঃ ৭৪)

হিন্দু লাইনীংদা থাজদুনা চৎনবা লম্বীগী মশাসী য়াম্মী। মরু ওইনা ফংলিবা মঙাখক্তি - শাক্ত, শৈব, গণপত্য, ব্রহ্ম, বৈষ্ণব হায়বসীনি। বৈষ্ণব লাইনীং অসীবু গৌরাঙ্গ মহাপ্রভুনা অমুক হিংগৎহনখি হায়না গৌরিয়া ধর্ম্ম হায়নসু খঙনৈ। মীতৈনা চৎলম্বসী অসামিস বৈষ্ণবিজমগী মশক খরা চঙবা অদুবু মপূং ওইনা গৌরিয় বৈষ্ণবিজমনি। গৌরিয় বৈষ্ণবিজম হায়বদি বেঙ্গল বৈষ্ণবিজম হায়বনি। বেঙ্গলবু মতম অমা গৌর দেশ হায়নসু খঙনরম্মী। মায়গৈ অমরোমদা, বৈষ্ণব লাইনীংগী ভাবসু মপূং ওইবা মঙানি - শান্ত, সাখ্য, দাস্য, বাৎসল্য অমসুং মধুর অসীনি। মঙাসীগী মনুংদা লাইনীংহননা পামজরম্বসী দাস্য ভাব অসীনি, লাইনীংহননা ভাব অসীবু অথোইবনি হায়নসু লৌরি-

> 'দাস্য ভাব' অসীনা অথোইবনি হায়রি। ঐখোয় 'অপোকপা মরূপ' না দাস্য ভাবতা চৎলবদা করম্বা অকায়বা লৈগদগৈ। মসী পূন্নমক অহনশিংনা নহা ঐখোয়দা তাকপীগনি।
> -(ঐগী ৱারেং, লাঃ ৫২-৫৩)

মতৌ অসুন্না, তেংবানবা হৌরকপগী, ওইরকপগী ৱাফম ময়েক শেংনা খঙবগা লোয়নননা মতৌ করম্না, করি ৱাখলদা লাইনীংগদগৈ হায়বগী লাইনীংলোন অদু ময়েক শেংনা ঊৎনবা, লৌখৎচরিবা টেক্স অসীদা হোৎনরম্বদু ময়েক শেংনা উবা ফংই। হিন্দুগী অৱাঙবা দর্শনদা য়ূম্ফম ওইবা সাহিত্যগী মচলশিং অসীদা, লাইনীংগী অথূপ্পা ৱাঙুরোন অমসুং লাইনীং অদুগী থোইহেল্লবা নুংশি-ঈরুশিং অদুসু য়াম্নমক হৈ-শিংবগা লোয়নননা ফোঙদোক্লম্বা অসীমক্তি ফনা শীংথানীংঙাই ওইবনি। লাইনীংহননা 'true knowledge of divine self' অসী ফংনবা হোৎনজরম্বনি। 'divine self' তি 'ব্রহ্ম'নি, 'ব্রহ্ম'দি 'অপোকপা'নি, মদু খঙনবা লাইনীং অদুনি 'অপোকপা লাইনীং'। লাইরিক অসীদা য়াওরিবা লাইনীংগী ৱাঙুরোনশিং অসীগী মথক্তা অতৈসু মখা তানা কূপ্পা থিজিন্নীংঙাই অমসুং নৈননীংঙাই লৈরিবনি।

### মতেং লৌজখিবা অমদি তানজখিবা লাইরিক খরদং-

1. Aloka Lahiri, 1993, 'Chaitanya Movement in Eastern India', Calcutta
2. Klaus K Klostermaier, 1990, 'A Survey of Hinduism', Munshiram Manoharlal Publishers Pvt Ltd, New Delhi.
3. Kunjabihari Singha, 2004, 'Manipur Vaishnavism: A Sociological Interpretation', ***Sociology of Religion in India***, (Ed. Rowena Robinson) Sage Publications, New Delhi

4. Marco Pallis, tr. 1993, 'Introduction of the study of the Hindu Doctrine', Munshiram Manoharlal Publishers Pvt Ltd, New Delhi.
5. Swami Gambhirananda, tr. 1996, 'Brahma Suttra Bhasya of Shankaracharya', Advaita Ashrama, Calcutta
6. Swami Pragyanana, ed. 1993 'The works of Swami Abheananda', Vol-I, The Ramkrishna Vedanta Math, Calcutta
7. গিরিস্বামি যোগেন্দ্রনাথ, ১৯৯৩, 'শ্রীমদ্ভগবত গীতা', জ্ঞান মন্দির, ইম্ফাল
8. নাওরিয়া ফুলো, ১৯৯০, 'মীতৈ হৌভম ৱারী', মীতৈ লৈবাক
9. নাওরিয়া ফুলো, ১৯৯০, 'ঐগী ৱারেং', অপোকপা মরূপ, লুৱাংশঙবম, মীতৈ লৈবাক
10. নাওরিয়া ফুলো, ১৯৯৫, 'অপোকপা মপুগী তূংনফম', অহন তরানিথোই, হৌনসঙ অপোকপা মরূপ, লাইশ্রমখুন
11. নোনিকুমার ঐচ, ২০০৫, 'অহন য়াথং লাইরিককী মরমদা শন্নপ্পা ৱারোল খরদং', ***নীংশিং চেফোঙ***, দাইমণ্ড জুবিলি সেলেব্রেসন, অপোকপা মরূপ, জারিবোন
12. স্বামী যোগেন্দ্রনাথ গীরী, ১৯৯৩, 'শ্রীমদ্ভগবত গীতা', জ্ঞান মন্দির, ইম্ফাল